# য়ুম্বু ব্রাইএলকে অমদি সাইআরসিনা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র হেন্দ বোল টুর্নামেন্টকী নুপা অমসুং নুপীগী ব্রিন্নর ওইখ্রে





ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ঃ

মণিপুর হেন্দ বোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা য়াইফ লমজিং কাংলুপ চীংঙারেল তেজপুরনা শীন্দুনা চথরক্লিবা ৪২শুবা জুনিয়র অমদি সেনিয়র ষ্টেট লেভেল হেন্দ বোল টুর্নামেন্টকী জুনিয়রগী নুপাগী কাংলুপ্তা য়ুম্বু টিম য়াইফা লমজিং কাংলুপ চীংঙারেলনা ব্রিন্নর ওইবা ঙমখ্রে। অদুগা সাইআরসি তাকয়েলনা জুনিয়র নুপীমচাগী ব্রিন্নর ওইখ্রে।

ঙসি চীংঙারেল টেজপুরদা লৈবা ব্রাইএলকে গ্রাউন্দা শান্নখিবা জুনিয়র নুপীমচাগী ফাইনেল মেটচতা সাইআরসি তাকয়েলনা সিটিজন ক্লব সোইবম লৈকায়বু গোল ২৫–১৯ দা মায়থিবা পীখ্রে।

সাইআরসিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কেঐচ তোনে দানবীনা গোল ১০, টিঐচ অঙৌবীনা গোল ৬, ব্রাই রোজিনানা ৫, টিঐচ গিতঞ্জলিনা ২ অদুগা এ রোসনি অমসুং ও রঞ্জিতানা গোল অমমম চনবা ঙমখি।

সোইবম লৈকায় টিমগী গোলশিং অদুনা টিঐচ জেনিলানা গোল ৩ অদুগা টিঐচ অঞ্জুবালা অমসুং ঐচ জেনিতানা গোল ৮।৮ চনবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা জুনিয়র নুপামচাগী ফাইনেল মেটচতা য়ুম্বু ব্রাইএলকে চীংঙারেল তেজপুরনা পব্লিক ক্লব তোপ খোঙনাংখোঙবু গোল ২৬–১১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

য়ুম্বু টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু রাজেশ্বরনা ৯, কেঐচ নেপোলিয়ান্না ৫, ঐচ মাইকেল অমসুং টিঐচ সিলহৈবনা গোল ৪।৪ অদুগা বেখম এল অমসুং এল অসোক্লা গোল ২।২ চনবা ঙমখিবনি।

অদুগা তোপ খোংনাংখোঙ টিমগী গোলশিং অদুনা ই প্রিয়োকুমারনা গোল ৬, কেএসঐচ মানোরঞ্জননা ২ অদুগা এল য়াইফবা, কে জেমস অমসুং সরুকখান্দনা গোল অমমম চনবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী জুনিয়র নুপামচাগী কাংলুপ্তা টিম মঙা– বিবিএ ময়াংইম্ফাল, ব্রাইএলকে চীংঙারেল তেজপুর, সিটিজন ক্লব সোইবম লৈকায়, পব্লিক ক্লব তোপ খোংনাংখোং অমসুং সাইদোল লিলোংনা শরুক য়ারি। অদুগা নুপীমচাগী কাংলুপ্তা টিম মরি–বিবিএ, ব্রাইএলকে, সিতিজন ক্লব অমসুং সাই আর সি তাকয়েলনা শরুক য়াখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা সেনিয়র কাংলুপকী মেটচশিং থা অসিগী ৮দগী শান্নবা হৌরগনি।

# বিকি অমদি অশ্বজিৎনা ষ্টেট ওপন কেস প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী চহি ১৪অমসুং ১২ মখাগী নুপাগী ব্রিন্নর ওইখ্রে





ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ঃ

মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা লমফেলপাৎতা লৈবা ওফিসর ক্লব টেন্নিস কমপ্লেক্সতা চথরক্লিবা ৩৮শুবা ষ্টেট ওপন কেস প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী চহি –১৪ অমসুং ১২ মখা নুপামচাগী কাংলুপ্তা বিকি শগোলশেম অমসুং অশ্বজিৎনা ব্রিন্নরশিং ওইবা ঙমখ্রে।

এন চারমি অমসুং এমএনসি সনারৈমা অনীনা নুপীমচাগী চহি ১৪ অমদি ১২ মখা সিঙ্গলসকী ব্রিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

অদুগা ব্রোজেন অমসুং রিবাসকরগী পিয়রনা মেন্স দবলসকী ব্রিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি নুংথিল শান্নখিবা চহি–১৪ মখাগী নুপামচাগী ফাইনেল মেটচতা বিকি শগোলশেমনা অশ্বজিৎপু ৬–৪, ৬–০দা মায়থিবা পীখি।

চহি ১২ মখা নুপামচাগী সিঙ্গলসকী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা অশ্বজিৎনা টিঐচ সঙ্করবু ৭–৬ (৭–৩), ৬–৩দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা ঙসি অয়ুক শান্নখিবা নুপীমচাগী চহি ১২ অমসুং ১৪ মখাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচশিংদা এমএনসি সনারৈমানা থোইবীবু ৬–৪, ৬–২দা অদুগা এন চারমিনা এল লিন্দাবু ৬–২, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা ব্রিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

মেন্স দবলসকী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ব্রোজেন অমসুং রিবাসকরগী পিয়রনা প্রেমজিৎ অমসুং লিলেনজিগী পিয়রবু ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা চহি–৪৫ মথক্কী দবলসকী নুংথিল শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা তুলেশ্বর অমসুং ইবোহলগী পিয়রনা কুবের অমসুং জয়েন্তগী পিয়রবু ৬–৪, ৬–২ দা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা অদুগা ব্রাই ইবোতোম্বী অমসুং ঐচ ইবোতোম্বী অনীগী পিয়রনা রঞ্জন অমসুং প্রকাস অনীগী পিয়রবু ৬–১, ৪–৬ (১০–৪) দা মায়থিবা পীখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী লেদিস সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অমদি মেন্স ওপনগী সেমি ফাইনেল মেটচশিং অয়ুক পুং ৮দা শান্নরগনি।

# ভেনিকা, গ্রেভিয়া, ইথোইবী অমসুং কুঞ্জারানি সব–জুনিয়র গার্লস নেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্টকী ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ঃ

বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা মহারাষ্ট্রগী নাগপুরদা চথরিবা নাগপুর মেয়র্স কপ অহানবা সব–জুনিয়র গার্লস নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী তোঙান তোঙানবা ৱেঠ কেতেগোরিশিংদা ষ্টেটকী নুপীমচা বোক্সর ৪– য়ুম্নাম ভেনিকা চনু, হুইদ্রোম গ্রেভিয়া, ৱাংজম ইথোইবি চনু অমসুং থোকচোম কুঞ্জরানি চনু ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা কেজি ৩৮গী সেমি ফাইনেল বাউট অমদা ষ্টেটকী বোক্সর য়ুম্নাম ভেনিকানা পঞ্জাবকী পিঙ্কিবু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অদুগা হুইদ্রোম গ্রেভিয়ানা উট্টর প্রদেশকী তারহ য়ানাবু কেজি ৪৮ গী কাংলুপ্তা মায়থিবা পীখি। ৱাংজম ইথোইবীনা অসামগী আইকোলবু মায়থিবা পীরম্লগা কেজি ৫০ কাংলুপকী ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

থোকচোম কুঞ্জারানি চনুনা হারিয়াগী নিরু খাত্রিবু কেজি ৫৪ কাংলুপকী সেমি ফাইনেল বাউটতা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকপা ঙম্লকখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা কেজি ৪৬ কাংলুপকী সেমি ফাইনেল বাউটতা ষ্টেটকী বিদিয়া মৈস্নামনা দিল্লিগী সঞ্জানাগী মখুৎতা মায়থিখি। অদুগা এলাংবম থোই–থোই চনুনা কেজি ৫২গী কাংলুপ্তা হারিয়ানাগী অনচল সাইনিগী মখুৎতা সেমি ফাইনেল বাউটত অমদা মায়থিখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা ৱেঠ কেতেগোরিগী ফাইনেল বাউটশিং শান্নরগনি।

নিংশিংবা য়াবদি চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ষ্টেট অসিদগী নুপী বোক্সর ১২ অমদি ওফিসিয়েল ৩না শরুক য়ারকখিবনি। ওফিসিয়েলশিং অদুদি কেএসঐচ সরত সিংহনা মেনেজর অদুগা এম শ্যামচন্দ্র সিংহ অমসুং এন চিতরঞ্জন সিংহ অনীনা কোচ ওইনা শরুক য়ারি।

# থোংজু–এ কাংখুৎ ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ঃ

ইবুধৌ ৱাংপুরেল খানা চাওবা কাং কম্মিটিনা শীন্দুনা কোংবা মখা নাদেবম লৈকায় লাইকোনদা চথরকক্লিবা ৫শুবা থোঙাম শাজৌ নিংশিং মিক্স কেন্দ্র–ৱাইজ লীগ কম নোক আউত কাং টুর্নামেন্ট ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা থোংজু–এ কাংখুৎনা কোম্থৌজম কাংখুৎপু পাঞ্জল ১দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ১৬তগী হৌদুনা টিম ১৩না গ্রুপ ৪ থোক্তুনা শরুক য়ারি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা থোংজু–এ কাংখুৎনা পাঞ্জল ১৫ লৌবা ঙমখি। অদুগা কোম্থৌজম কাংখুৎনা পাঞ্জল ১৪ লৌদুনা থোংজু–এগী মখুৎতা মায়থিখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাংখুৎ অমসুং ওইনাম কেন্দ্র কাংখুৎ অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

# কৈশামথোং কাংখুৎ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ঃ

শিংজমৈ কাংখুৎ চিংঙামথকনা শীন্দুনা চথরক্লিবা ৭শুবা মাং শাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং পুইন্যবটি নিংশিং মিক্স লীগ কম নোক আউত কেন্দ্র ৱাইজ কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শিংজমৈ কাংশঙদা শান্নখিবা গ্রুপ–এগী লীগ মেটচ অমদা কৈশামথোং কেন্দ্র কাংখুৎনা শগোলবন্দ কেন্দ্র কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৬–৮ দা মায়থিবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ১৪না গ্রুপ–মরি থোক্তুনা শরুক য়ারি।

নিংশিংবা য়াবদি য়ুমজকৈশা নুমিৎ অহৌবা নুমিৎকী শান্নখিবা গ্রুপ–সিগী লীগ মেটচ অমদা শিংজমৈ–বি কাংখুৎনা লমশাং কাংখুৎপু পাঞ্জল ৯–৬তা মায়থিবা পীখিবনি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ–দিগী লীগ মেটচ অমদা ৱাঙ্গোই কেন্দ্র কাংখুৎ অমদি খুন্দ্রকপম কেন্দ্র কাংখুৎ অনীনা শান্নরগনি।

# জোসেপকী গোল অনিগী মতেংনা মোকল্লুং এফসি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চথরক্লিবা এন হরিচন্দ ট্রোফি ১৪শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব–জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–বিগী লীগ মেটচ অমদা মোকল্লুং এফসিনা ওরিয়েন্টটেল ক্লব বাপুপারাবু গোল ২–১দা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৮না শরুক য়ারি।

শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী শান্নবদা টিম ২না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবদা ওরিয়েন্টটেল ক্লবকী ষ্টাওপুনা শান্নবগী ৪০শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি।

গোল চনখ্রবা মতুং শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা জোসেপনা ইক্যুলাইজর গোল চনশিন্দুনা টিম অনীগী স্কোর লাইট ১।১ দা লৈহনখি।

টিম অনীনা গোল স্কোর চপ মান্নরবা মতুং শান্নবগী ৪৭শুবা মিনটতা জোসেপনা মহাক্কী অনীশুবা অমসুং মোকল্লুং এফসিগী মায় পাকপগী গোল অদু চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা শান্নরোই অনী মোকল্লুং এফসিগী ফারুক খান অমসুং ওরিয়েন্টটেল ক্লবকী রিজোইস শান্নবগী ৫৭ অমসুং ৬৫শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ–বিগী লীগ মেটচ অমদা পিএসজি লুংগ্রেজাং অমসুং সিৱাইএফসি লোবোনখল লম্বা তৌনরগনি ।

# ষ্টেট সেনিয়র ৱুমেন্স ফুটবোল টিম লাওথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ঃ

ওরিসাগী কট্টক্তা থা অসিগী ১৮দগী হৌদুনা ওক্টোবর ১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৪শুবা সেনিয়র ৱুমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮–১৯দা শরুক য়াগদবা ষ্টেট টিমগী শান্নরোইশিংগী মমিং লাওথোকখ্রে।

শান্নরোইশিং অদুদি– গোল কিপরদা ইএসয়ুগী ই পাম্থোই চনু, এমপিএসসি গী ও রোস্নি দেবী অমসুং ক্রিপ্সাগী এম লিম্থোইঙাম্বী দেবীনি।

দিফেন্দরদা–এমপিএসসিগী এ রোমি দেবী, ইএসয়ুগী জি রাধারানি, টিঐচ উমাপাটি অমসুং এনজি স্বুইটি, ক্রিপ্সাগী এল মধাবী অমসুং দব্লিউ লিম্থোইঙম্বীনি।

মিদফিল্ডরদা–ক্রিপ্সাগী এল অশারানি অমসুং ৱাই হেমোলাতা, ইএসয়ুগী এম মন্দাকিনি, আই প্রমেশ্বরি, দব্লিউ রজিবালা অমসুং কস্মিনা অদুগা ৱাইদব্লিউসি লংথবালগী এস রিনারোইনি।

ষ্টাইকরদা– মণিপুর পুলিসকী এনজি বালা, ক্রিপ্সাগী দাংমৈ গ্রেস, এন রতনবালা অমসুং ই বিদিয়ারানি।

ষ্টেট টিম অসিগী মেনেজরনা কেএসঐচ ইবোবি সিংহ অদুগা কোচনা এম রতনকুমার সিংহ নি।

মখা তানা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা খঙহল্লকপদা খনগৎলবা শান্নরোইশিংনা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা অয়ুক পুং ৭.৩০ দা মেনেজর অমদি কোচতা রিপোর্ট তৌদুনা মখা তাবা ট্রেনিংদা শরুক য়ানবা খঙহল্লক্লি।

# ষ্টেট লেভেল কেরোম চেম্পিয়ন্সিপকী সেনিয়র ৱুমেন্সকী ফাইনেলদা মোনিকা অমদি বিদিয়া থেংনরগনি



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ঃ

মণিপুর কেরোম এসোসিয়েসননা শীন্দুনা শিংজমৈ কম্ম্যুনিটি হোলদা চথরকপা ২৭শুবা ষ্টেট লেভেল এজ গ্রুপ অমদি ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কেরোম চেম্পিয়ন্সিপকী সেনিয়র ৱুমেন্সকী ফাইনেল মেটচতা মোনিকা অমদি এ বিদিয়া অনীনা থা অসিগী ৯দা লম্বা তৌনরগনি।

সেনিয়র ৱুমেন্স কাংলুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা থার্দ প্লেসকী মেটচতা এস বিনিতানা এস রোজিবু সেট ২–০ (২৬–৬, ২২–১২) তা মায়থিবা পীদুনা থৌরম অসিগী অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

কাংলুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা মোনিকানা এস বিনিতাবু সেট ২–০ (২৩–৭, ২৫–৪) দা অহানবা সেমি ফাইনেলদা অদুগা এ বিদিয়ানা এস রোজিবু সেট ২–০ (১৬–৭, ২৩–০) দা মায়থিবা পীখি।

কাংলুপ অসিগী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা মোনিকানা জি মালা ২৩–০, ২৩–০ দা, বিনিতানা সোনালিকাবু ২৫–০, ২৫–০ দা, বিদিয়ানা ও মেমথোইবু ১৪–২৪, ২৫–৪, ২০–১০ দা মায়থিবা পীখি। অদুগা এস রোজিনা রেবিকা লাক্তবদগী ৱার্ক ওভর ফঙদুনা মায় পাকখি।

অতোপ্পা জুনিয়র বোইজকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা কেঐচ রিথিক্না অতল সাইখোম্বু ১৪–১৩, ১০–৯ দা, এম মহেসনা তাইবং ঙানববু অনীশুবা ক্বার্টরদা ১৫–১৩, ২২–৩ দা, জোসেপনা লমঙাম্ববু ২৪–৫, ২৫–০ দা অদুগা ৱাই সঞ্জিৎনা এম সদানন্দবু ৬–২১, ২৫–০, ২২–৬ তা অরোইবা ক্বার্টরতা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা সেনিয়র মেন্সকী রাউন্দ ১গী শান্নখিবা মেটচশিংদা এস ইঙোচানা এস বিসোনাটপু ২৪–১, ২৫–৬ তা, এ রবিচন্দ্রনা ঐচ সঞ্জিৎপু ২৫–১১, ২৫–০ দা, এম মাদোপনা ঐচ বিসোবপু ২৫–৮, ২৫–১১ দা অদুগা আর কে অমরজিৎনা এস বেনরজিবু ২৫–৮, ২৫–৫তা মায়থিবা পীখি।

# ২১শুবা পট্টমা দেবী মেমোরিয়েল মেন্স কাং টুর্নামেন্ট মহাদেবাজ কাংখুৎনা ইচেল ক্লব দিবোংবু মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ঃ

দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিয়েসন জিরিবাম, মণিপুরনা শীন্দুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপারাদা লৈবা লমলেন কম্ম্যুনিটি হোল কম কাংশঙদা চথরক্লিবা ২১শুবা এন পট্টমা দেবী মেমোরিয়েল মেন্স কাং টুর্নামেন্ট ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–এগী লীগ মেটচ অমদা মহাদেব কাংখুৎ নিংথেম্বমনা ইচেল ক্লব কাংখুৎ দিবোংবু পাঞ্জল ২দা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি জিরিবামগী আইবি লৈকায়দা লৈবা এন জয়চন্দ্র সিংহ অমসুং মহাক্কী মচিন মনাওশিংগা লোয়ননা মখোয়গী অপোকপীগী মীংদা কৎচবা টুর্নামেন্ট নি। টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৯না গ্রুপ অনী থোক্তুনা শরুক য়ারিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা মহাদেব কাংখুৎনা অপীবা মতমগী শান্নবদা পুন্না পাঞ্জল ১৯ লৌবা ঙমখি। অদুগা ইচেল ক্লব দিবোংনা পাঞ্জল ১৭ লৌদুনা নিংথেম্বম কাংখুৎকী মখুৎতা পাঞ্জল ২দা মায়থিখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা ও মঙ্গি মৈতৈনা অম্পয়র অদুগা এ ইবোতোন না স্কোরর ওইনা শরুক য়াখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা গ্রুপ– এগী লীগ মেটচ অমদা এসএৱাইসি–এ কাংখুৎ সোরোক অতিংবী অমসুং ৱাইএলসি দিবোং অনীনা নুংথিল পুং ১দা লম্বা তৌনরগনি।



*ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং জকারতাদা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসকী ছেপাক তাক্রৌ ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেডল লৌরকখ্রবা ইন্দিয়া টিমদা শরুক য়াখিবা ষ্টেটকী শান্নরোইশিংনা য়ুম হল্লকপদা য়াল্লবা মীয়াম্না তুলিহল এয়পোর্টতা ওকখিবা শক্তম*

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*